# ঈ দিনা খৃষ্টিয়ান মাইকেল জেলদা ৱাহং-পাউহং তৌনবা হায়রকপা অদুগী পাউখুম ঙাইরি



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১১(এজেন্সী)ঃ

ঙসি দিল্লি কোর্ট অমনা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটকী মায়কৈদগী জেলদা লৈরিবা ভি ভি আই পি হেলিকোপ্টর কেসতা চেন্নবা খৃষ্টিয়ান মাইকেলবু জেল মনুংদা ৱাহং-পাউহং তৌনবা অয়াবা পীবিয়ু হায়রকপা অদু কোর্ট অসিনা তিহার জেলদা পাউখুম ঙাইরি।

নীংশিংবা য়াই, ওগষ্টাৱেষ্টলেন্দ চোপ্পর কেসগী মতাংদা ফাখিবা খৃষ্টিয়ান মাইকেলবু মখা তানা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা জেল মনুংদা ৱাহং-পাউহং তৌবা পামখি। মসিগী মতাংদা দিল্লি কোর্টতা ঈ দিনা হায়জরকপা অদু তিহার জেলগী ওফিশলগী মায়কৈদগী পাউখুম ঙাইরি। জেল ওথোরিটি অদুদা মখোয়গী মায়কৈদগী পাউখুম অদু হয়েং ফাওবগী মনুংদা পীরক্কদবনি হায়রি।

স্পিশল জজ অর্বিন্দকুমারনা হয়েংগীদমক প্রদক্সন ৱারেন্ট অমসু ইস্যু তৌখি। হায়রিবা ৱারেন্ট অসি মাইকেলগী লোয়রনা জেল মনুংদা মহাক্কী ক্লাইন্টপু মেন্টেল টোর্চর তৌরে হায়না ৱাকৎলকপদগীনি।

নীংশিংবা য়াই, খৃষ্টিয়ান মাইকেল মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২২ দা দুবাইদগী এক্সট্রাদিসন তৌরগা মেদিয়াদা ফাখিবনি। কোর্ট অসিনা মমাঙদা মাইকেলবু আইসোলেশন্দা থমদুনা হায় সেক্যুরিটি সেলদা হোংদোকপগী ৱাফম অদুগী মরম হংবা লৈখ্রবনি। কোর্ট অসিনা মতীক চাবা পাউখুম পীরক্কুবদি ইনক্কারি অমা হৌরগনি হায়রি।

এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট অমসুং সি বি আইনা পূন্না থিজিনখিবা ওগষ্টাৱেষ্টলেন্দ চোপ্পর কেস অদুদা মরু ওইনা মিদ্দল মেন ওইনা শরুক য়াখিবা মীওই অহুমগী মনুংদা খৃষ্টিয়ান মাইকেলসু য়াওখিবনি। অতোপ্পা মীওই অনী অদুনা গুইদো হাস্কে অমসুং কার্লো জেরোসানি।

নাকল অমরোমদা, খৃষ্টিয়ান মাইকেলনা কোর্টনা মহাক্কী জেল মনুংগী ৱার্দ অদু হোংদোকপীনবা হায়রখি। মদুগী অচৌবা মরমদি মহাকপু কাশ্মির টেরোরিষ্টশিংগাপূন্না লৈমিন্নহল্লি হায়বদগীনি। মাইকেলনা হীরম অসিগী মতাংদা সি বি আইগী স্পিশল জজ অমদা ৱারোল ইখিবনি। মহাক্না ৱারোল অদুদা পল্লদুনা মহাকপু কাশ্মিরি টেরোরিষ্ট অমসুং মীওই ১৬০গা পূন্না লৈমিন্নহল্লি।

মহাক্না মখা তারদুনা তিহার জেল মনুংদা ৱার্দ নম্বর-৬ অসি অতোপ্পা মফমদগী তোঙান্না লৈহল্লি হায়রি। দিল্লি কোর্ট অমনা হৌখিবা থাদা খৃষ্টিয়ান মাইকেলনা হায়রকখিবা মান্নবা ৱাফম অমদা মহাকপু মতোমতা জেল মনুংগী কা অমদা লৈহল্লি হায়বদু হোংদোকপীনবা হায়রকখ্রবনি। অদুবু মতম অদুদা জেলগী ওথোরিটিশিংনা মখোয়গী মথক্তা মাইকেলনা শীরক্লিবা মরালশিং অদু য়াখিদবগা লোয়ননা জেল মনুংদা লৈরিবা অতোপ্পা মীওইশিং অদুগা চপ মান্নবা মীৎয়েংদা থম্মী হায়খিবনি।

খৃষ্টিয়ান মাইকেল ইন্দিয়াগী এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট অমসুং সি বি আইনা থিজিনখিবা ওগষ্টাৱেষ্টলেন্দ চোপ্পরকেসকী মণী লোন্দরিংগী মতাংদা ফারবা মতুং জুদিসিয়েল কষ্টদিদা মতম শাংনা থম্লক্লুবা মতুং তিহার জেলদা থাজিনখিবনি।

# কুমজা ১৯৯৯ দা অজার থাদোকখিবদা অজিৎ দোবালগী খূৎ য়াওই হায়বা রাহুলগী ক্লেম সেন্টরনা য়াখিদ্রে





ন্যু দিল্লি, মার্চ ১১(এজেন্সী)ঃ

সেন্টর লৈঙাক্না কুমজা ১৯৯৯ দা জাইস-ঈ-মোহম্মদ (জে ঈ এম)গী লুচিংবা মাসুদ অজার থাদোকখিবগী মতাংদা নেশনল সেক্যুরিটি এদভাইজর ওইরম্বা অজিৎ দোবালগী খূৎ য়াওই হায়না কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধি মরাল শীরকখিবা অদু য়াখিদ্রে।

ইন্দিয়ান এয়রলাইন্স ফ্লায়ট-৮১৪ হায়জেক তৌরবা মতুং টেরোরিষ্ট থাদোকখিবদা দোবালগী খূৎ অমত্তা য়াওখিদে হায়না সোর্সশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কুমজা ১৯৯৯ দা অজিৎ দোবাল ইন্দিজিনস ব্যুরোগী সেনিয়ার ওফিসর অমা ওইখিবনি। মহাক্না মীওই মরিগী নেগোসিয়েটিং টিম অমা লুচিংদুনা কান্দহারদা মাসুদ অজার থাদোকপগী মতাংদা ৱারী শানবা চৎখিবনি।

লৈঙাক্কী সোর্সনা ফোঙদোরকপদা মতম অদুদা মাসুদ অজার অমসুং টেরোরিষ্ট অনী থাদোকপা অদুদা য়েৎখিবা মীওই অমা ওইখি হায়রি। নোংমাইজিং নুমিত্তা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু পুলৱামা টেররগী মতাংদা লান্দাদুনা দোবালনা টেরোরিষ্ট অহুম অদুবু কান্দহারদা পুদুনা থাদোকখিবা ফোটো ট্যুটরদা থাগৎলকখি। লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টরদা সি আর পি এফ ৪০ শিখিবা অদুগী ইমুং মনুংশিংদা মখোয়বু হাৎখিবা মাসুদ অজার কনানা থাদোকখিবনো হায়বদু খঙহনবীয়ু হায়খি। লোয়ননা হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টরগী নেশনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর ওইরিবা অজিৎ দোবালনা টেরোরিষ্টশিং থাদোকপগী মতাংদা অচৌবা থৌদাং লৌখি হায়খি। রাহুল গান্ধিনা থাংজ নুমিত্তা কর্নাটাকাগী হাবেরিদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱাফম অসিসু পনখি।

পুলৱামাদা থৱায় কৎখ্রবা সেক্যুরিটি পর্সনেলশিং অদু কনানা থোকহনবনো। জে ঈ এগী লুচিংবা মাসুদ অজার কনানা পাকিষ্টান্দা হলহনখিবনো, পূম্নমক বি জে পিননি। প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা লুচিংবা সেন্টর লৈঙাক অসিগী নেশনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর ওইরিবা অজিৎ দুবালনা জে ঈ এমগী লুচিংবা মাসুদ অজারবু পাকিষ্টান্দা থিন্দোকপীখিবনি। কোংগ্রেস লৈঙাক্তি নরেন্দ্র মোদিগা মান্নদে। টেরোরিষ্টশিংদা কোক নোঞ্জদে হায়না মীয়ামগী মীফম অদুদা রাহুল গান্ধিনা ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াই, জাইস-ঈ-মোহম্মদকী লুচিংবা মাসুদ অজার ওসামা বিন লাদেনগী য়াম্না নক্নবা মীওই অমনি। কুমজা ১৯৯৯ দা ইন্দিয়াগী জেলদগী হেক থাদোকখিবগা মাসুদ অজারনা জাইস-ঈ-মোহম্মদ লুপ অসি লিংখৎখিবনি।

জাইস-ঈ-মোহম্মদনা ইন্দিয়াদা টেরোরিষ্টকী এটেক কয়া চথবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। কুমজা ২০০০গী এপ্রিল থাদা স্রি নগরদা লৈবা বদামি বাগ কেনটোনমেন্টতা চথখিবা সুইসাইদ এটেক অদুনা লুপ অসিগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াদা চথবা অহানবা এটেক ওইখি।

কুমজা ২০০১ গী দিসেম্বর ১৩ দা জাইস-ঈ-মোহম্মদনা লুচিংদুনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মফম অমা ওইরিবা পার্লিয়ামেন্ট হাওস এটেক তৌখি।

# ইথোপিয়া প্লেন ক্রাশতা ইন্দিয়াগী মীওই মরি য়াওখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১১ (এজেন্সী):

ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্ট্রিদা এটেচ তৌবা য়ু এন কন্সলটেন্ট অমা য়াওনা ইথোপিয়াগী প্লেন কায়বদা শিখিবা মীওই ১৫৭কী মনুংদা ইন্দিয়াগী মরি য়াওখি।

ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ফোঙদোকখিবদা, ইথোপিয়াগী কোনুং অদিস অবাবাদগী নাইরোবি তম্না পাইখিগদবা বোইং-৭৩৭ অদু পাইখিবা মতুং মিনিট খরা লৈরগা কায়খিবনি।

পোকখায়খিবা অদুদা ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্ট্রিদা এটেচ তৌবা য়ুনাইটেদ নেশন্স দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম কন্সলটেন্ট শিখা গর্গ য়াওখিবনি হায়না এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ফোঙদোকখি।

শিখা গর্গ য়ুনাইটেদ নেশন্স ইনভাইরনমেন্ট প্রোগ্রাম মীফম অমা শরুক য়াবা চৎখিবনি। অতোপ্পা লৈখিদ্রবা মীওই অহুম অদুনা বাইদিয়া পানাগেস বাস্কর, বাইদিয়া, হন্সিন অনাগেস অমসুং নুকাভারপু মনিসানি।

লাইবক থিবা থৌদোক্তা কায়খ্রবা প্লেন অদুদা লৈবাক ৩৫ দগী মীওই ১৫৭ শিখিবনি। প্লেন অদু অদিস অবাবাগী বোলে ইন্টরনেশনেল এয়রপোর্টতগী অয়ূক্কী পূং ৮.৩৮দা পাইখৎখ্রগা মিনিট ৬ লৈরগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদবনি।

প্লেন অদু ইথোপিয়াগী বিশোফতু টাওনগা থংনবা তুলাফরহ খুঙ্গংদা তাশিন্দুনা কায়খিবনি। প্লেন অদুদা কেনিয়াদগী মীওই ৩২তোংদুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা কাঙলুপ ওইখি। কানাদদগী মীওই ১৮, চাইনা, ইটালি অমসুং য়ু এসতগী মীওই ৮/৮, ইথোপিয়াদগী ৯, বৃটেন অমসুং ফ্রান্সকী মীওই ৭/৭, ঈজিপ্টতগী ৬ অমসুং জর্মনিদগী ৫নি। লোয়ননা অফ্রিকা লৈবাক্তগী মীওই অমমম অমসুং য়ুরোপকী লৈবাক ১৪দগী মীওই অমমম য়াওখি।

# লোক সভাগী ভোট থাদবা নুমিৎ রামজানগা ফাংজিন্নবা অসিনা মুসলিম ভোটরশিংদা অকায়বা পীরি ঃ অমানাতুলা



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১১ (এজেন্সী):

লোক সভা মীখল ২০১৯গী ভোট থাদবগী নুমিৎশিং অদু রামজানগা ফাংজিন্নবা অসি মুসলিম ভোটরশিংদা অকায়বা পী হায়না আম আদমি পার্টিগী এম এল এ অমানাতুলা খানবা ইলেক্সন কমিশন ওফ ইন্দিয়াদা মরাল শীখ্রে।

মহাক্তা নত্তনা অতোপ্পা ওপোজিশনগী লুচিংবশিংনসু ইলেক্সন কমিশন ওফ ইন্দিয়ানা লোক সভা মীখলগী ভোট থাদবা নুমিৎশিং অদু রামজান থাগা ফাংজিন্নহনবা অদুদা ৱাহং কয়া হংনখ্রবনি।

নীংশিংবা য়াই, অমানাতুলা খান দিল্লি চিফ সেক্রেটরি ফূরুবগী ৱাহৌদা চেন্নবা মীওই অমনি। মহাক্না অহানবা ওইনা রামজানগী মতমদা মীখল পাঙথোকপা অদুদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা, রামজান মনুংদা মুসলিম ভোটর মশীং য়াম্না হন্থনা ভোট থাদবগী তাঞ্জা অমা লাক্লি। মদুনা বি জে পিদা চপ চানা কান্নবা ফংখিগদৌরিবনি। রামজান থা অসি মে ৬তগী হৌগদৌরিবনি। লোয়ননা ভোট থাদবগী নুমিৎশিং অদু ৫শুবা, ৬শুবা অমসুং ৭শুবা তাঙ্কক্কী ওইনা মে ৬, মে ১২ অমসুং মে ১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

মুসলিম ক্লারিক মুলানা খালিদ রসিদ ফিরনগী মালিনসু ইলেক্সন কমিশন ওফ ইন্দিয়াদা ভোট থাদবগী অরোইবগী ফেজ অহুম অদু রামজান মনুংদা তাবা মরম্না মতম হোংদোকপীনবা হায়খিবনি। রামজান মনুংদা মুসলিমশিংগী চাকহেন থা ওইবা মরম্না ভোট থাদবগী নুংশা মরক্তা শাংনা ক্যু লেপ্পা অদুদা মুসলিম ভোটরশিং অদুদা অৱাবা অমা পীগদৌরিবনি।

তৃণামুল কোংগ্রেস লীদর অমদি কোলকটা ম্যুনিসিপাল কোওপরেশনগী মেয়র ওইরিবা ফিরহাদ হকিমনা লোক সভা মীখলগী মতম অসিদা ৱাহং কয়া হংখি।

ঈ সি আই অসি কন্সটিট্যুশনেল বোদি অমা ওইবা মরম্না ইকায় খুম্নবা উৎলি। মখোয়গী মায়োক্তা ৱা অমত্তা ফোঙদোক্লিংদে। অদুবু ৭শুবা ফেজগী মীখল অদু বিহার, উত্তর প্রদেশ অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মীওইশিংদা অৱাবা পীগদৌরি। হায়রিবা মতম অদু রামজানগী চরা হেনবা মতম ওইবনা ভোট থাদবা অদুদা মুসলিম ভোটরশিংদা অৱাবা নংগদৌরিবনি হায়খি।

ষ্টেট অহুম অসিদা মাইনোরিটি পোপ্যুলেশনশিংগী মশীং য়াম্না লৈ। ইলেক্সন কমিশন ওফ ইন্দিয়ানা নীংশিংগদবদি, বি জে পিনা মাইনোরিটি পূম্নমকপু ভোট থাদহনবা পামদে। অদুবু ঐখোয় মীপাইবা লৈতে, মীয়াম্না ‘বি জে পি হতাও-দেস বচাও’ হায়বা খোল্লাওদা চেৎনা থাজে।

পনবা য়াই, লোক সভা মীখলগী ৭শুবা ফেজগী মতম অদু নোংমাইজিং নুমিত্তা লাউথোকখিবনি। অহানবা ফেজগী ভোট থাদবগী মতম অদু এপ্রিল ১১ ওইরি। লোয়ননা ৭শুবা অমদি অরোইবা ফেজ অদু মে ১৯দা হৌরগা ভোট মশীং থীবা হৌবনা মে ২৩দা ওইগদৌরিবনি।

লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সি-৫৪৩গী ৭শুবা ফেজগী ভোট মশীং থীবা অদু চপ মান্নমা মে ২৩ দা হৌগদৌরিবনি হায়না চিফ ইলেক্সন কমিশ্নর সুনিল অরোরানা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

অহানবা ফেজ (এপ্রিল ১১)দা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৯১ ভোট থাদগনি। অনীশুবা ফেজ (এপ্রিল ১৮) দা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৯৭ ভোট থাদনগনি। ৩শুবা ফেজ (এপ্রিল ২৩)দা কন্সটিট্যুয়েন্সি ১১৫দা ভোট থাদনগদৌরি। ৪শুবা ফেজ (এপ্রিল ২৯)দা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৭১, ৫শুবা ফেজ (মে ৬)দা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৫১, ৬শুবা ফেজদা (মে ১২)দা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৫৯ অমসুং ৭শুবা ফেজ (মে ১৯) দা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৫৯ ভোট থাদনগদৌরি।

ঈ সি আইনা হন্দক্কী মীখল অসিদা পোল্লিং ষ্টেশন খূদীংমক্তা ভোট ভেরিফায়েবল পেপর ওদিট ট্রেল (ভি ভি পি এ টি) শীজিন্নগদৌরি। ইন্দিয়াদা হৌজিক ভোট থাদবা য়াবা মীওই ক্রোর ৯০ লৈ।

ওল ইন্দিয়া মজলিস-ঈ-ইতেহাদুল মুসলিমিন (এ আই এম আই এম) গী লুচিংবা অসাদউদ্দিন ও আই সিনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা, পোলিটিকেলশিং অমদি মখোয়গী লুচিংবশিংনা ইলেক্সন কমিশন ওফ ইন্দিয়ানা লেপখিবা ভোট থাদবগী লেপখিবা মতম অদু রামজান থা মনুংদা তাহনবা অসি য়ানীংদবা ফোঙদোকপা অদু মহাক্না অরেম্বনি। চয়েৎনবা অসি কান্নদবা অমদি অরেম্বনি হায়খি।

মুসলিম কম্যুনিতিবু শীজিন্নদুনা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ঈরাং শাগৎলিবা অসি তৌবীগনু হায়না অন্ধ্র প্রদেশকী কোনুং হায়দ্রবাদকী এম পি ওইরিবা ও আই সিনা মখা তানা ফোঙদোকখি। মুসলিমশিংনা রামজান মনুংদা হান্নগী পুন্সি মরেলদা অদুমক লৈগনি। তৌফম থোকপা থবক পূম্নমক লেপ্তনা পাঙথোক্কনি। মহাক্কী ৱাখলদা রামজান মনুংদা ভোট মশীং হন্থবদি লায়রবদি হেনবু হেনগৎলক্কনি হায়না থাজবা ফোঙদোকখি।

# লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা লম্বা তৌররোই হায়না শরদ পৱারনা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১১ (এজেন্সী):

মমাঙদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরম্লবা মশাগী চহী ৭৮ শুরবা নেশনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সি পি)গী লুচিংবা শরদ পৱারনা হন্দক্কী লোক সভা মীখল অসিদা মহাক মীরেপ ওইররোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াই, ভেটরান পোলিটিসিয়ান অসিনা ইলেক্টোরেল পোলিটিক্সতগী কুমজা ২০১২দা পোথাখ্রবনি। অদুবু হৌখিবা থাদা মহাক মীখল অমুক মায়োক্লগনি হায়বগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি। মরম অদুনা পার্টিনা সাওথ ৱেষ্ট মহারাষ্ট্রাগী মধ সিট অদু মহাক্কীদমক খাকখিবনি। হায়রিবা সিট অদু বিজয় সিন মোহাইতি পাতিলনা হান্না এম পি ওইনা ভোট কারম্বনি।

অদুবু ঙসি পাঙথোকখিবা পাউমী মীফম অমদা শরদ পৱারনা মহাক্কী করিয়রদা মীখল ১৪রক মায়োক্লখ্রবনি। লোয়ননা ইমুং মনুংগী মীওই অনী মীরেপ ওইবা মরম্না মহাক হন্দক্কী মীখল অসিদা মীরেপ ওইররোই হায়না ফোঙদোরকপনি।

পৱারগী মচানুপী সুপ্রিয়া সুল হন্দকসু মীরেপ ওইগদৌরি। লোয়ননা অজিৎ পৱারগী মচানুপা শরদ পৱারগীনা মশু পারথা পৱারসু মীরেপ ওইগদৌরি।

ফেব্রুৱারি ২০দা শরদ পৱারনা মীরেপ ওইগনি হায়না ফোঙদোকখিবা অদু পারথাগী ওইনদি পোলিটিক্সতা খোঙ থাংজিনবা ঙম্লোইদৌরিবনি। অদুবু ঙসি শরদ পৱার মশাম্না মীরেপ ওইররোই হায়রকপদগী পারথা পৱারগী লম্বেল অমা লাকখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF DISTRICT ELECTION OFFICER: IMPHAL WEST DISTRICT

PRESS NOTE

Imphal, the 10th March 2019

No. DC(IW)/Elec/387/LSE-C/2019: With the announcement of election schedule for the General Elections to the 17th Lok Sabha - 2019 by the Election Commission of India vide its Press Note No. ECI/PN/23/2019 dated 10th March 2019, it is hereby notified for information to all concerned that the Model Code of Conduct comes into immediate effect and it will apply to the whole of Manipur State including the 13 (thirteen) Assembly Constituencies in Imphal West district falling within the jurisdiction of District Election Officer, Imphal West district and the same will be applicable to all political parties, parties in power, intending candidates, officials of all Central and State Government Departments/Offices to ensure peaceful and orderly poll till the election process is concluded.

2. Therefore, all intending candidates, political parties, officials of various Government Departments/Offices, etc. are requested to comply strictly with the Model Code of Conduct with immediate effect till the election process is completed.

Sd/- Naorem Praveen Singh
District Election Officer,
Imphal West District.

HL-B/5277/12

# ফোরেন সেক্রেটরি বিজয় গোখলে নুমিৎ ৩নিগী য়ু এস খোঙচৎ হৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১১ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী ফোরেন সেক্রেটরি বিজয় গোখলেনা নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা য়ু এসগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌখ্রে। মহাক্না য়ু এসতা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেশন ওফিশলশিংগা উনদুনা ৱারী শাগদৌরি।

বিজয় গোখলেনা ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেশন ওফিশলশিং উনবদা নত্তনা মরু ওইবা ফোরেন পোলিসি অমদি সেক্যুরিটিগা মরী লৈনবা খোঙথাংশিংগী মতাংদসু ৱাখল্লোন শ্যের তৌনগদৌরি।

ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাঙলোয় রবিস কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, গোখলেনা য়ু এসকী নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎ অসি লৈবাক অনীগী ফোরেন ওফিসকী মরক্তা কন্সলটেশন অমসুং ষ্ট্রেটিজিক সেক্যুরিটি দাইলোগ য়াওরি।

বিজয় গোখলেনা য়ু এসতা প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেশনগা উনবা অমদি য়ু এস কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংসু উনগদৌরি। খোঙচৎ অসি ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থান লৈবাক অনীগী ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী তুংদা য়াম্না মরু ওইবা অমা ওইগদৌরি।

খোঙচৎ অদুদা য়ু এসকী অন্দর সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ফোর পোলিটিকেল এফেয়র্সকী ফম পুরিবা দেভিদ হেল অমসুং অন্দর সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ফোর আর্মস কন্ট্রোল এন্দ ইন্টরনেশনেল সেক্যুরিটিগী ফম পুরিবা এন্দ্রি থোম্পসনগা উনদুনা ৱারী শাগদৌরি হায়না রবিস কুমারনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অৱাংবা থাক্কী ৱারী শানবগী থবক অসিদা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা মরী অদু ফঙ্গাৎহনবদা নত্তনা মরু ওইবা ফোরেন পোলিসি অমসুং সেক্যুরিটিগী মতাংদা ৱাখল্লোন শ্যের তৌগদৌরিবনি। পনবা য়াবদি, ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থানগী মরক্তা উংখৎনবা হেল্লকপা অদু ইন্দিয়াদা জাইস-ঈ-মোহম্মদকী খ্বাইদগী চাওবা ট্রেনিং কেম্প থুগায়রুবা অদুদগী হেনগৎলকখি।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR, IMPHAL

No.MU/9-134/1/19(D)
Date: 11-03-2019

Rescheduled Programme for the B.Ed 1st Semester Examination, 2018 (December)

In supersession of the o.o. No. MU.9-2/1/14 F(Prog.) dated 23rd February, 2019 the programme for the B.Ed 1st Semester Examination, 2018 (December) is rescheduled as under:

Venue: Manipur University

Time: 11:00 am to 1:00 pm (40 marks)
11:00 am to 2:00 pm (80 marks)

| Date & Day | Paper Code & Title |
| --- | --- |
| 29-03-2019 Friday | PE 01: Childhood and Growing up |
| 01-04-2019 Monday | PE 02: Contemporary India and Education |
| 04-04-2019 Thursday | PE 03: Learning and Teaching |
| 08-04-2019 Monday | CPS 01: Understanding Disciplines & Subjects |
| 13-04-2019 Saturday | CPS 02a: Pedagogy (Mathematics/Science/Social Sciences/Language) |
| 15-04-2019 Monday | CPS 03: Language across the curriculum |

N.B.
1) The Internal Assessments for theory papers are to be submitted to the undersigned before 16-03-2019.
2) Last date for submission of completed examination forms and requisite fees to the University:
a) Without fine : 16-03-2019
b) With fine : 19-03-2019

Sd/- A. Narayan Singh
Controller of Examinations (i/c)

HL-B/5278/12

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR, IMPHAL

No.MU/9-135/1/19(D)
Date: 11-03-2019

Rescheduled Programme for the Hindi Shikshan Parangat 1st Semester Examination, 2018 (December)

In supersession of the o.o. No. MU.9-2/1/14 F(Prog.) dated 17th February, 2019 the programme for the Hindi Shikshan Parangat 1st Semester Examination, 2018 (December) is rescheduled as under:

Venue: Manipur University

Time: 11:00 am to 1:00 pm (35 marks)
11:00 am to 2:00 pm (70 marks)

| Date & Day | Paper Code & Title |
| --- | --- |
| 29-03-2019 Friday | H.S.P.01: Basic concepts & Thoughts of Education |
| 01-04-2019 Monday | H.S.P.02: Learning Psychology |
| 04-04-2019 Thursday | H.S.P.03: General Linguistics |
| 08-04-2019 Monday | H.S.P.04: Different Diversity of human development-education of specific child |
| 13-04-2019 Saturday | H.S.P.05: School Administration & Management |

N.B.
1) The Internal Assessments for theory papers are to be submitted to the undersigned before 16-03-2019.
2) Last date for submission of completed examination forms and requisite fees to the University:
a) Without fine : 16-03-2019
b) With fine : 19-03-2019

Sd/- A. Narayan Singh
Controller of Examinations (i/c)

HL-B/5278/12